# ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৯ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী মীৎয়েং মখাদা তোঙান-তোঙানবা ক্রিকেট ফিল্ডশিংদা চথুরিবা ৪রক শুবা এম এন সী এ সুপরপ্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎকী ওইনা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং আর সী এ লিলোংগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নখি। মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱাই দব্লিয়ু সীনা আর সী এবু রন ৮৩দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা ৱাই দব্লিয়ু সী অমসুং আর সী এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই দব্লিয়ু সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই দব্লিয়ু সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা সেরাম রোবিনসন অমসুং জি কো সোরোখাইবমনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন রোবিনসননা বোল ৩৬ মায়োক্লবদা রন ২৮ অদুগা জি কোনা বোল ২৭ মায়োক্লবদা রন ৯ লৌরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৩৪.১ শুরকপদা ৱাই দব্লিয়ু সীগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৮২ লৌবা ঙমখি।

আর সী এনা টার্গেট রন ১৮৩ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন মোহমদ নসিরশাহ অলমনা বোল ৫৮ মায়োক্লবদা রন ৩২, টিম কেপ্টেন সয়দ হুসেননা বোল ৪৩ মায়োক্লবদা রন ২৭ অদুগা এম দি অনুশনা বোল ৩৩ মায়োক্লবদা রন ১০ লৌরমখিবা অদুনৎতনা টিম অদুগী লেমহৌরিবা বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা এটেকশিং মপূং ফানা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিদবদগী দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ৩২.৫ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৯৯ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সীনা রন ৮৩দা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।


টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি সেরিজনা আর সী এগী জমির খাননা তাখি। হায়েষ্ট রন স্কোররনা রুলগী জয়না তাখি। হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরনা আর সী এগী জমির খাননা তাখি।

অমরোমদা, ঙসি ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ১.৫০ সর্টিফিকেট অমসুং ট্রোফি পীখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা আর সী এ লিলোংগী টিমদনা শেল ওইনা লুপা লাখ ১, সর্টিফিকেট অমদি ট্রোফি পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।




মমি ৱারী

## ৱাঙু থৱান



## টি সী এম দি সী থোংজুনা ৱাই সী সী ৱাঙ্খে মায়থীবা পীখ্রে





**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৯ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরিবা ২১রক শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টি সী এম দি সী থোংজুনা ৱাই সী সী ৱাঙ্খে মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস টি সী এম দি সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। টি সী এম দি সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখিবা রাকেশনা বোল ২৩ মায়োক্লবদা রন ২২ অদুগা টি ঐচ তরুননা বোল ৫০ মায়োক্লবদা রন ৬৪ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়াম্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। অতোপ্পা বেটসমেন এল কৃষ্ণনা বোল ৩৩ মায়োক্লবদা রন ৫৫ লৌদুনা অমুক্কা হেন্না মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা টি সী এম দি সীগী ৱিকেট ৭ তুরগা পূন্না রন ২৫০ লৌবা ঙমখি।

ৱাই সী সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৬৯ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু টি সী এম দি সীনা রন ৮১দা মায় পাকখিবনি। ৱাই সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন লোয়ানা বোল ৪৬ মায়োক্লবদা রন ৪৮ লৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা টি সী এম দি সীগী এল কৃষ্ণনা তাখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1359

**FM Sumiya Chinguun (2389) - IM Josue Araujo Sanchez (2296)**
**45th Olympiad 2024 Budapest HUN, 2024.09.22**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Qc7 | 5.Nc3 e6 |
| 6.a3 Nf6 | 7.Be3 a6 | 8.f4 d6 | 9.Qf3 Bd7 | 10.O-O-O Rc8 |
| 11.h3 Nxd4 | 12.Bxd4 Qa5 | 13.Qe3 e5 | 14.Bb6 Rxc3 | 15.bxc3 Qxa3+ |
| 16.Kd2 Qa4 | 17.Bd3 Qc6 | 18.Ba5 Be7 | 19.fxe5 dxe5 | 20.Bb4 Be6 |
| 21.Bxe7 Kxe7 | 22.Rb1 Rc8 | 23.Ke2 Rc7 | 24.Qb6 Qxc3 | 25.Qb4+ Qxb4 |
| 26.Rxb4 Ne8 | 27.Rhb1 Nd6 | 28.Rb6 Bd7 | 29.Kf3 Bc6 | 30.g4 Nb5 |
| 31.c4 Nd4+ | 32.Ke3 Ne6 | 33.Rd1 Rd7 | 34.Bc2 Rxd1 | 35.Bxd1 Kd6 |
| 36.Be2 Kc5 | 37.Rb1 Ng5 | 38.Ra1 f6 | 39.h4 Ne6 | 40.g5 fxg5 |
| 41.Bg4 Nd4 | 42.Ra5+ Kd6 | 43.hxg5 Nb3 | 44.Ra2 Nc5 | 45.Bf5 g6 |
| 46.Rh2 gxf5 | 47.exf5 Ke7 | 48.Rxh7+ Kf8 | 49.g6 Be8 | 50.Rh8+ Ke7 |
| 51.g7 Bf7 | 52.g8=Q Bxg8 | 53.Rxg8 Kf6 | 54.Rf8+ Kg5 | 55.Rc8 b6 |
| 56.Rc6 Kxf5 | 57.Rxb6 Ne6 | 58.Rxa6 Nd4 | 59.c5 Nc2+ | 60.Kd2 Nd4 |
| 61.Kc3 Ne6 | 62.c6 Nc7 | 63.Ra1 e4 | 64.Rd1 Ke6 | 65.Rd7 Nb5+ |
| 66.Kc4 e3 | 67.Kd3 Nd6 | 68.Kxe3 Nc4+ | 69.Kd4 Ne5 | 70. … |

**QUESTION : White to win the endgame**

**Puzzle 1358 Solution :**

**38. …fxe4+** With a discovered check by the black rook. The black rook attacks White's king, which is defending White's pawn and White's rook. **39. Ke1 Qxg3+** The black queen deflects White's rook away from protecting the square h1. Opening the line from h1 to e1. **40.Rxg3 Rh1+ 41. Rg1 Rxg1+ 42. Bf1 Rgxf1+ 43. Ke2 R7f2#**
**0-1**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com